# দিমোনিটাইজেসনগী চহি ২শুরকপা নুমিৎতা ওপোজিসন পার্টিশিংনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌরি



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৮ঃ***

দিমোনিটাজেসনগী চহি ২ শুরকপা নুমিৎতা বি জে পি অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরক্তা ঙসি মপূং ফাবা ট্যুটর-ৱার অমা থোকখ্রে। ওপোজিসন্না মসিবু মাং-তাকহনবগী থবক অমনি হায়খি অদুগা বি জে পিনা মসি করপসনগী মথক্তা অকনবা থবক অমনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী করেন্সি নোটশিং থিংজিনখিবা অদুগী চহি ২ শুরকপা অসিবু নীংশিংনবা কংগ্রেস পার্টিনা হয়েং ইরাই নুমিৎতা লৈবাকশিনবা থুংনা প্রোটেস অমা কৌখ্রে। অদুগা ট্রিনামুল কংগ্রেনসু ‘ব্লেক দে’ অমা পাংথোক্কনি হায়খ্রে।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহ না ষ্টেটমেন্ট অমদা মদুনা ইকোনোমী অমসুং সোসাইতিদা তাহনখিবা অৱাবা অদু হৌজিক মীপূম খুদিংমক্না খঙনরি। নোট থিংখিবা অদুনা চহি, নুপী-নুপা, লাইনীং, শিনফম নৎত্রগা জাৎ খায়দনা মীওই খুদিংমক্তা শোকহল্লি হায়খি।

নাকল অমরোমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেৎলিনা হায়খি, দিমোনিটাইজেসননা ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা ব্লেকমনিদা চৈথেঙ পীখি। মপান্দা লৈবা একাউন্টশিং অমসুং এসেটশিংগী পাউশিং অদু গভর্ণমেন্টতা য়ৌরকখি। মদুদগী লৈবাক্কী শেনথুমগী আইন থুগাইবশিংদুগী মথক্তা থবক লৌখৎখিবনি।

করেন্সি মৎপনা দিমোনিটাইজেসনগী পান্দম নৎতে। করেন্সি অদুবু ফোর্মেল ইকোনোমিদা চঙহনবা অমসুং মদুবু পায়রিবশিংবু টেক্স থিহনবনা মদুগী পান্দমনি হায়না জেৎলিনা হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিনা দিমোনিটাইজেসনগী অরীরক শুবা চহি অসিদা, ইরাই নুমিৎতা লৈবাক শিনবা থুনা প্রোটেস অমা চখনবা কৌখ্রে। লৈবাকসিদা লৈরিবা কংগ্রেস লূচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী তুঘলকক্কী থৌওংনি হায়বদুগী ময়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লম্বীদা থোরক্কনি।

কংগ্রেস ৱাংলোই মনিস টিৱারিনা য়ুশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান ইকোনোমিবু মাং-তাকহনবগীদমক মাগী পার্টিনা প্রাইম মিনিষ্টরদগী লাল্লে হায়জবা অমা পাম্মী হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা দিমোনিটাইজেসনগী পান্দমনি হায়খিবা ব্লেক মনি লাকশিনবা, জালিনোটশিং মুথৎপা অমসুং টেররদা ফন থাদবা থিংবা হায়রিবা অহুম অসি অমত্তা তৌবা ঙমখিদে হায়না কংগ্রেসনা হায়খি।

ট্রিনামুল কংগ্রেস পার্টিনা নুমিৎ অসিবু ‘ব্লেক দে’ ওইনা পাংথোক্কনি হায়রি। দিমোনিটাইজেসন অসি স্কাম অমনি গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী লৈবাকপু মীনমখি। মীয়ামনা মসি তৌখিবশিং অদুগী মথক্তা চৈরাক পীগদবনি হায়না ট্রিনামুল কংগ্রেসকী চীফ মমতা বেনরজিনা হায়খি।

সি পি এম জেনরেল সেক্রেটরী সিতারমন য়েচুরিনা হায়খি, মিষ্টর মোদি অমসুং মহাক্কী কাংবুনা দিমোনিটাইজেসননা ব্লেক মনি লোইশিনগনি, করপসন মুথৎকনি, তেরোরিজম থিংগনি অমসুং শুপ্নগী দিজিটেল ট্রানজেকসনশিং পুরক্কনি ফোঙদোকখি। চহি ২ গী মতুংদা মিষ্টর মোদি তুমিন লৈখ্রে। অশেঙবদি মহাক্না কনামতা তানদনা মতোমত ইকোনোমি অসিবু, পূন্সি অমসুং পুন্সি হিংনবা লম্বীশিং মাং-তাকপমখে থুগাইরে হায়খি।

নবেম্বর ৮, ২০১৬ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা শিজিননবা থাদোকখ্রবা লূপা ৫০০ চৎপী অমসুং লূপা ১০০০ চৎপী নোৎশিং চৎনদ্রে হায়না লাওথোকখিবনি।

# পাকিস্থাননা ওপরেসন চখদুনা লূপা ক্রোর ৭.৮৩গী ইন্দিয়ান অমসুং অতৈ দি টি ঐচ ফাগৎখ্রে

***ইস্লামবাদ, নবেম্বর ৮ঃ***

আইননা য়াদবা দিভাইজশিংগী মথক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা চখবা ওপরেস অমদা পাকিস্থান ওথোরিটিজনা তোঙান তোঙানবা মার্কেটশিংদগী লূপা ক্রোর ৭.৮৩ গী ইন্দিয়াগী অমসুং অতৈগী দাইরেক্ত-তু-হোম (দি টি ঐচ) ইক্যুপমেন্টস ফাগৎখ্রে হায়না রিপোৎ অমনা ফোঙদোক্লকখ্রে।



পাকিস্থানগী মার্কেটতা ইন্দিয়ান দি টি ঐচ নৎত্রগা মেজিক বোক্স য়ান্না লায়না ফংবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সু মোটো কেস অমা লৌখৎখ্রবগী তূংদা রিপোর্ট অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোর্ট অসিদা থাগৎলকখিবনি।

ওপরেসন চখবা অদুদা এফ আই আর ৩০ থাঙ্গৎখ্রে অমসুং মীওই ৩৯ ফাগৎলকখ্রে। ওপরেসন অদু কষ্টমস দিপার্টমেন্ট অমসুং ফেদরেল ইনভেসটিগেসন এজেনসিনা চখিখিবনি। অকুপ্পা ৱারোলসি ফোঙদোক্তুনা জষ্টিস ইজাজ উল-অহাসাননা লূচিংবা জজ অনীগী বেঞ্চ অমদা রিপোর্ট অদু থাগৎখ্রে হায়না পাকিস্থাদা নুংতিগী ফোঙবা মরুওইবা পাউ-চে দোননা হায়খি।

এদিসনেল এটোনি জেনরেল নায়র অবাস রিজবিনা এপেক্স কোর্ট অদুদা থাগৎখিবা রিপোর্ট অদুদা লৈবাক শিনবা থুংনা এনফোসমেন্ট ওপরেসনশিং চখিখিবা অদুনা লৈবাকসিগী মার্কেট শিংদা লোন্না পুশিল্লকপা দিসি এস এক্যুপমেন্ট ললোন-ইতিক্কী ওইনা য়োনবা অমসুং ফঙবা ঙমহনখিদ্রে হায়খি।

হুরান পোৎয়োন তৌদুনা পোৎ-চৈ পুশিল্লকখিবা অদুগী লাকফম থিনবা অমসুং মদু লাকশিন্নবগী খোঙথাং অদু লৌখৎনবা পাকিস্থানগী সুপ্রিম কোর্টনা মমাঙগী হিয়ারিংদা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেনসিগী এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং পাকিস্থান ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া রিগুলেটরি ওথোরিটিগী মেম্বর য়াওবা কমিটি অমা শেমখিবনি।

# এল কে অদবানিগী মপোক নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৮ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা বি জে পিগী অহল ওইরবা লূচিংবা এল কে অদবানিবু মাগী ৯১ শুবা মপোক নূমিৎতা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী দিভলপমেন্ট পুরকপদা অদবানিনা তৌরমখিবশিং অদু নীংশিং খুদম ওইরগদবা অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা শিংথাখি।

মশাগী কান্নবা থিদনা অমসুং থম্মোয় শেঙনা মহাক্না ইন্দিয়াবু অকনবা লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎলমখি। লোয়ননা কর্য্যকার্তাশিংবু অঙকপা মওংদা য়োকখৎলম্মী। ঐখোয়গী নূংশিজরবা অদবানিজিগী হকচাং ফনা লৈনবা অমসুং পূন্সি নূংশাংনবা ঐনা খুরমজরি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

পার্টি কর্য্যকার্তা মিল্লিয়ন কয়াদা ৱাখলগী থৌনা পীরমখ্রবা অমনি হায়না হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অদবানিবু শিংথারদুনা ইন্দিয়ান পোলিটিক্সকী খ্বাইদগী শিংথানীংঙাইশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা শ্রী লাল কৃষ্ণ অদবানিজিদা মপোক নূমিৎকী নূংঙাইবা পাউজেন পীখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিনসু এল কে অদবানিদা মপোক নূমিৎকী নুংঙাইবশিং ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিনা বি জে পি গী অহল ওইরবা অমসুং শক্লাইরবা লূচিংবা এল কে অদবানিগী ৯১ শুবা মপোক নূমিৎতা নুংঙাইবা পাওজেল পীখি। ঐনা ইকাইখুন্নবগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাং ফবা অমসুং নুংঙাইবা ওইসনু হায়জরি হায়না মমতা বেনরিজিনা ট্যুটরগী খূৎথাংদা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন রাথোর, অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনচিংবনসু এল কে অদবানিগী মফমদা মপোক নূমিৎকী নূংঙাইবা পাউজেলশিং থাখি।

# মিলিটেন্টশিং ফাবা লাকপা সেক্যুরিটি ফোর্সতা মীয়ান্না নুংদুম থাজিনখ্রে

***শ্রীনগর, নবেম্বর ৮ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা কোয়শিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক অমা চখবদা মফম অদুগী নহাশিংনা থোরক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নূংদুম্নচিংবশিং থাজিল্লকখ্রে অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খূৎহন্দুনা টিয়ারগ্যাস শিং কাপখ্রে হায়রি।

রাষ্ট্রিয় রাইফলস, পুলিসকী স্পীসিয়েল ওপরেন্সস গ্রুপ অমসু সেন্টর রিজাপ পুলিস ফোর্সকী অপূনবা খূৎপু অমনা লালহৌবশিং লৈরে হায়না পাউ অমা ফংবদগী অরিহল খূঙ্গং কোয়শিনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থিবা-হুম্বগী থবক অদু চখরকপা মতমদা খূঙ্গংগী নহাশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুদা নূংনা থাজিল্লকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খিবনি।

# মাওইষ্টশিংনা য়ামদ্রবদা ৫ হাৎখ্রে

***দান্তেৱাদা, নবেম্বর ৮ঃ***

মীখল পাংথোক্কদবা নুমিৎ ৪নিতা ঙাইরবা সটিসগরগী দান্তেৱাদা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি মাওইষ্টশিংনা বস অমদা আই ই দি এটেক চখদুনা সেক্যুরিটি পাসোনেল অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ হাৎখ্রে হায়রি।

# চহি ২০গী মনূংদা অহানবা ওইনা ভোৎ থাদবা ফঙগদৌরি

***দান্তেৱাদা, নবেম্বর ৮ঃ***

ঙসিদগী নুমিৎ ৪নি শুবদা এসেমব্লি মীখল পাংথোক্কদৌরিবা সটিসগরগী দান্তেৱাদা দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা চহি ২০ ভোৎ থাদবা উরকখিদ্রবা তেলাম, লেতাম অমসুং গাউতসে কৌবা পোলিং ষ্টেটসন ৩ অদুদা অহানবা ওইনা ভোৎ থাদবা ফংগদৌরি হায়না দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর শৌরব কুমারনা হায়খ্রে।

# সুপ্রিম কোর্টনা ব্লাসফেমি কেসতা শিবগী চৈরাক ককখ্রবী পাকিষ্টানি খৃষ্টান নুপী জেলদগী থাদোকখ্রে



***ইস্লামবাদ, নবেম্বর ৮ঃ***

ব্লাসফেমি কেসদা শিবগী চৈরাক মায়োক্নদুনা চহি ৮ জেলদা অৱাবা ময়োক্নরকখ্রবী পাকিষ্টানি খৃষ্টান নুপী অদু সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না ৱায়েল পীরকখ্রবসু চয়োল অমরোম জেলদগী থাদোক্তনা থমলকখিবদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক থাদোক্লবগী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদু ময়াই থঙবা সিটি মুলতানগী জেলদা থুঙলবদগী মহাক জেলদগী থাদোকখ্রে হায়রি।

অসিয়া বিবি কৌবী পাকিষ্টানী খৃষ্টান নুপী অদুনা প্রোফেট মোহমদপু ইকাইবা পীখি হায়না পাকিস্থানগী ইমাম অমনা ফোঙদোকখিবনি।

২০১৯ দা মহাক্না লবুক্তা থবক শুবা চৎপদা ঈশিং শোক্লনবা মঙোদা খঙহনখি অদুবু মুসলিম নৎতবা অমা ওইবনা মহাক্না ঈশিংগী পাত্র শোকপগী ময়োক্তা মুসলিম নুপী লেবররশিংনা য়াখিদে অমসুং মদুদগী খৎনবগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদগী ৱায়েলশঙদা কেস থাঙ্গৎনরকপদগী ব্লাসফেমিগী মরালদা মহাক কনভিক্সন ফংখিবনি।

মহাকপু খুদক্তা হাৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লৈবাক অসিগী অচৌবা সিটিশিংদা প্রোটেজ তৌখিবা ইস্লামিষ্ট হার্দলাইন্নরশিংগা গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানদুনা লৈবগা লোয়ননা মহাকপু জেলদা অদুমক লৈহনখিবনি।

এ এফ পিদা থাবা মেসেজ অমদা মহাক্কী উকিল সাইফ উল-মুলুক্না মহাক জেলদগী থাদোকখ্রে অমসুং মহাক প্লেন অমদা লৈরি হায়না মঙোন্দা খঙহলক্লে অমদুবু কনামতনা মহাক কদাইদা তাগদৌরিবনো খঙদে হায়খি।

অদুবু মহাক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়বা মেদিয়াগী পাউশিং অদু ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই মুহমদ ফৈজালদা ঙরাং য়াখিদ্রে। মহাক পাকিস্থানদা লৈরি হায়খি।

ইন্টিলিজেন্স লিখুনশিংনসু মহাক্না লৈবাক অসি থাদোকখিদ্রি হায়না পাউগী এজেনসিদা ফোঙদোকখি।

অসিয়া বিবিগী মপুরোইবা অসিক মসিহানা ইমূং মনূংগী চঙজফম পীনবা ব্রিটেন নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হায়জখ্রে অমসুং ইটালি অমসুং ফ্রান্স য়াওনা গভর্ণমেন্ট কয়ামরুন্না তেঙবাংনবগী খূৎ লানথোরকখ্রে।

মহাক্কী উকিন অদু হাৎকনি হায়না কিহল্লকখিবদগী থাংজা নুমিৎতা নেদরলেন্দসতা চেনখ্রে।

নাহা ওইরিবী নুপী অসিগী তুংগী পূন্সি তেক্ত-কাইদনবগীদমক ঐনা মীওইবা অমা ওইনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌগনি হায়না ইতালিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মেট্টিও সালভিনিনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখ্রে।

# টাজিকিস্থান জেলগী ইরাংদা য়ামদ্রবদা ২০ শিখ্রে

***দুসানবে, নবেম্বর ৮ঃ***

টাজিকিস্থানগী অৱাং থংবা সিটি খুজন্দদা মেক্সিমম সেক্যুরিটি প্রিজম অমদা ফুন্না চৈনবগী থৌদোক্তা বন্দি ২০ অমসুং গার্দ ২ রোম শিখ্রেহায়না ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিটিগী লিখুল ২না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি অদি লৈরিবা জেল অসি এক্সট্রিমিজম অমসুং মর্দর য়াওনা তমথিবা ক্রাইমশিংগীদমক অশাংবা চৈরাকশিং ফঙবা বন্দিশিং থমফমনি। অহানবা লিখুন্না খূৎথোক্নবদুদা বন্দি ২০ লোম অমসুং গার্দ ২ শিরে হায়খি। অনীশুবা লিখুল অদুনা বন্দি ২০ অমসুং ২ শিরে, মদুগী মথক্তা গার্দ ৬ শোক্লে হায়খি।

মশক মমিং পোঙদোকপীগনু হায়দুনা পাউগী এজেনসি এ এফ পিদা সেক্যুরিটি লিখুল অমনা বন্দিশিংনা খন্না-চৈনবগী থৌদোক অদু য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা থোকখিবনি অমসুং ঙরাং শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা চখিখি হায়খি।

বন্দিশিং অদুনা জেলদুগী মনূংদা লৈবা ৱাক্সোপ অমদগী পোৎ -চৈ ককথৎনবগী খূৎলাইশিং পায়শিনখিবদগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি হায়না অতোপ্পা সেক্যুরিটিগী লিখুল অদুনা ফোঙদোকখি।

# চিনাগী ময়োক্তা শক্তি শাগৎনবা তাইৱাননা লালগী জহাজ ২ লৈখ্রে

***কাউসিয়ুং, নবেম্বর ৮ঃ***

টাইৱানাগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা চিনাগী ময়োক্তা লৈবাকসিগী নেভিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি শাগৎনবা পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটষ্টতগী লৈবা লালনগী জহাজ ফ্রিগেট ২ শঙ্গাবগা লোয়ননা ইথৎ অসিনা মশাবু ঙাকথোক্নবদা খোঙফম অমা হন্দোক্লোই হায়না ঙরাং অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

সিভিল ৱার অমগী মতূংদা ১৯৪৯দগী হৌনা চিনাগা তাইৱানগা অনী অসি তোঙান তোঙান্না লৈনরকখিবনি। অদুবু মদু ওইদুনসু ইথৎ অসিবু মখোয়গী শেৎতোক্নবা য়াদবা লমনি হায়রিবা বৈজিংনা করিগুম্বা মথৌ তাবা লাক্লবদি শক্তি শিজিন্নদুনা অমত্ত ওইনা পূন্সিনগনি হায়বগী ফিরেপ লৌরি।

চহি অসিগী এপ্রিল টাইৱান ষ্ট্রেটতা লাইভ ফয়ার এক্সর্সাইজ অমা য়াওনা চিনানা মিলিতরি ড্রিলশিং হেনগৎলকখি।

# লূপা ক্রোর ২০০ গী হেরোইন ফারে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৮ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কুপৱারাদগী ট্রক অমদা শেম হাপ্পা কার্টুনশিংগী মনূংদা হাপ্লগা দিল্লি তঙ্গা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা লূপা ক্রোর ২০০গী হেরোইন নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা ঙসি ফাখ্রে। জম্মু এন্দ কাস্মিরগী হায়ৱে টোল্ল প্লাজা অমদা এন সি বি না ট্রক অদু খাল্লগা চেক তৌবদা পোৎলম অদু ফংখিবনি। মদু নোর্থ দিল্লিগী অজাদপুর মন্দিদা পুনবা হোৎনরম্বনি হায়না পুলিসনা হায়রি।

সনা-সুদোকু -১৩২৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 3 | 1 | 8 | 7 | 2 | 4 | 9 |
| 9 | 4 | 8 | 2 | 5 | 3 | 7 | 1 | 6 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 9 | 4 | 5 | 3 | 8 |
| 7 | 2 | 6 | 8 | 1 | 5 | 4 | 9 | 3 |
| 3 | 8 | 9 | 4 | 2 | 6 | 1 | 7 | 5 |
| 4 | 1 | 5 | 3 | 7 | 9 | 8 | 6 | 2 |
| 8 | 3 | 4 | 7 | 6 | 2 | 9 | 5 | 1 |
| 1 | 9 | 7 | 5 | 3 | 8 | 6 | 2 | 4 |
| 6 | 5 | 2 | 9 | 4 | 1 | 3 | 8 | 7 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking upto : 23/08/18
Valid from : 20/08/18
Sl. No. : 6136 to 5331
Stk : 612
Time : 06.00 a.m. to 10.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking upto : 25/08/18
Valid from : 18/08/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 08.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking upto : 22/08/18
Valid from : 14/08/18
Stk : 798, 19kg 84
Time : 07.00 to 09.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1330**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 7 | | 1 | | | 4 |
| 1 | | | | 3 | 2 | | | 8 |
| | 7 | | | | 8 | 1 | 2 | |
| | 8 | | | | 5 | | 1 | 3 |
| | 3 | | | 8 | | 5 | | 2 |
| 7 | 5 | 2 | | | 6 | | | |
| 2 | | 8 | | 5 | | 3 | | |
| 5 | | | 8 | | | 2 | | |
| | | 3 | 2 | | | | 5 | |


*মালেমগী নিঙোল ওইবীশিংগী মফমদা নিঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীজরি*

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা থাচৎকা লোইনরক্কবা, শেংলবা থক্তা থোক্লিবা নুমিৎনা পুরকপা “নিঙোল” ওইবীশিংবু মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা মচে-মচল ওইবগী মৈহৌরোলদগী শিন্নবীরক্কবা শেংলবা অমদি নুংশিরবা মবুং-মৌপ্বাগী মরীগী অচেৎপা ফিদাবু, ঙসিসু থম্মোইগী অচেৎপা কিশিনা ইপা-ইপুশিংনা শিন্নবীরকপা খুদোল অদুগী অচুম্বা মশক মচু অমসুং ময়াই অদুবু চাং তাহন্দনা থমদুনা পঙ্খৌগী মিংখৈ শোন্দুনা পলেমগী খোল্লাং লমন শিংবগী অহিংবা লেঙদ্রবা খুদম উৎলিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা য়াইফরবা কোরৌ ইরাই নুমিৎ নবেম্বরগী তাং ০৯-১১-২০১৮ না লাকপদা ***“NORTH EAST INDIA DEVELOPMENT PARTY (NEIDP)”*** না মালেমগী নিঙোল ওইবীশিংগী শেংলবা ফিদা অসিবু থম্মোইগী পিনা চামজদুনা ইমাগী খোল্লাং লমন শিংবা শকচরগে হায়না য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা মালেমগী নিঙোল ওইবী খুদিংমক অৱা হুইশোং লাংহনবীদবা ওইরসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থম্মোই শেংনা পুনেমজরি।

য়াইফ পাউজেল পীজরিবা
*Narengbam Samarjit Singh*
*President,*
*North East India Development Party (NEIDP)*
*Central Working Committee*

*SL/BILL/ 09*



*মালেমগী নিঙোল ওইবীশিংগী মফমদা নিঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীজরি*

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা থাচৎকা লোয়নরক্কবা, শেংলবা থক্তা থোক্লিবা নুমিৎনা পুরকপা “নিঙোল” ওইবীশিংবু মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা মচে-মচল ওইবগী মৈহৌরোলদগী শিন্নবীরক্কবা শেংলবা অমদি নুংশিরবা মবুং-মৌপ্বাগী মরীগী অচেৎপা ফিদাবু, ঙসিসু থম্মোইগী অচেৎপা কিশিনা ইপা-ইপুশিংনা শিন্নবীরকপা খুদোল অদুগী অচুম্বা মশক মচু অমসুং ময়াই অদুবু চাং তাহন্দনা থমদুনা পঙ্খৌগী মিংখৈ শোন্দুনা পলেমগী খোল্লাং লমন শিংবগী অহিংবা লেঙদ্রবা খুদম উৎলিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা য়াইফরবা কোরৌ ইরাই নুমিৎ নবেম্বরগী তাং ০৯-১১-২০১৮ না লাকপদা ***“SALAI HOLDINGS PRIVATE LIMITED & ITS SUBSIDIARY UNIT”*** না মালেমগী নিঙোল ওইবীশিংগী শেংলবা ফিদা অসিবু থম্মোইগী পিনা চামজদুনা ইমাগী খোল্লাং লমন শিংবা শকচরগে হায়না য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা মালেমগী নিঙোল ওইবী খুদিংমক অৱা হুইশোং লাংহনবীদবা ওইরসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থম্মোই শেংনা পুনেমজরি।

য়াইফ পাউজেল পীজরিবা
*NARENGBAM SAMARJIT SINGH*
*CHAIRMAN AND MANAGING DIRECTOR*
*SALAI HOLDINGS PRIVATE LIMITED*
*& ITS SUBSIDIARY UNIT*
*SAGOLBAND TERA LOUKRAKPAM LEIKAI,*
*IMPHAL WEST, MANIPUR*

*SL/BILL/ 09*